সনালৈবাক স্পোর্টস

বিরেন্দর সেৱকনা ইন্দিয়া টিমদা য়াওরিঙৈদা
মেলবোর্নদা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচতা সেঞ্চুরি
লৌখিবগী হরাউবা ফোঙবা

ইন্দিয়াবু মায় পাক্লবা
হোৎনবদা বোল ১২ দা রন
২২ লৌখিবা ধোনি

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু বঙ্গলাদেশপু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে

CRICKET

মিরপুর, মার্চ ২৮ঃ

মফম অসিদা লৈরিবা শ্রীবঙ্গলা নেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা আই সি সি টি–২০ ৱার্ল্ড কপকি মেটচ অমা ওইনা য়ুম্বু ওইরিবা বঙ্গলাদেশকা ইন্দিয়াগা শান্নবদা বঙ্গলাদেশনা অহানবা ইনিংসতা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুবদা রন ১৩৮ লৌখ্রে।

ইন্দিয়ানা টোস ঙমখি অদুমওইনমক ফিল্ডিং খন্দুনা হান্না ফিল্ডিং তৌখি। মসিদা বঙ্গলাদেশকি টিম্না ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুবদা রন ১৩৮ লৌখিবনি। বঙ্গলাদেশকি ওপনর ওইরিবা টমিম ইগবালনা বোল ১০ দা ফোর ১ য়াওরগা রন ৬ লৌখি। মহাকপু আর স্বিনিগী বোল অমদা সুরেস রাইনানা ওক্তুনা আউট ওইখি। মহাক আউট ওইবা মতমদা টিম অসিনা রন ২০ লৌবা ঙমখি।

মহাক্কী মথংদা থোরকখিবা সমসুর রহমন রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আর স্বিনিগী বোলদা রোহিদ শর্ম্মনা ওক্তুনা আউট ওইখি। মতম অসিদা বঙ্গলদেশ টিম্না রন ২০ দগী হেন্না লৌখিদে। ওপনর ওইনা থোরকখিবা অনীশুবা শান্নরোই অনামুলহকনা বোল ৪৩ দা ফোর ৫, সিক্স ২ য়াওরগা রন ৪৪ লৌরমখি।

মহাকপু অমিট মিশ্রগী বোল অমদা আউট ওইখি। সকিব অল হাসননা বোল ২ দা রন ১ লৌরবা মতুংদা ভুবনেশ্বর কুমারগী বোলদা আউট ওইখি। টিম অসিগী কেপ্টেন অমদি ৱিকেট কিপ্পরসু ওইরিবা মুসফিকুর রহমননা বোল ২১ দা ফোর ৪ য়াওরগা রন ২৪ লৌখি। মহাকপু মহমদ সাহিমগী বোলদা বিরাট কোহলিনা ওক্তুনা আউট ওইখি।

নাসির হুসেননা বোল ১৭ তা ফোর ১ য়াওরগা রন ১৬ লৌখি মহাকপু অমিট মিশ্রগী বোলদা ধোনিনা ষ্টম্পিং তৌদুনা আউট ওইহনখি। মহমুদুল্লা বোল ২৩ দা ফোর ৫, সিক্স ১ য়াওরগা রন ৩৩ লৌখি। মহাক নোট আউট ওইদুনা লৈখি।

জয়ুরহমননা অমিট মিশ্রগী বোল অমদা রবিন্দ্র জাদেজানা ওক্তুনা আউট ওইখি। মহাক্লা টিম অসিগী অরোইবা ৱিকেট ওইখি। মহাক্কী মথংদা থোরকখিবা মশরফ মোরটাজা বোল ২ দা রন ৬ লৌখি। মসিদা মহাক্লা সিক্স ১ লৌখিবনি। ইনিংস অদুদা বঙ্গলাদেশনা ইন্দিয়াগী এক্সট্র ৮ লৌখি। মসিদা বাই ৪, লেগবাই ২ অমদি ৱাইদ ২ য়াওরগা পুন্না রন ১৩৮ লৌখিবনি।

মসিগী পাউখুম ওইনা ইন্দিয়ানা হৌজিক বেটিং পায়রি। ইন্দিয়াগী ওপনর ওইনা রোহিদ শর্ম্ম অমদি সেখর ধৱন থোরকখি। সেখর ধৱননা বোল ৬ তা রন ১ লৌরবা মতুংদা অল অমিন হুইশেনগী বোল অমদা আউট ওইখি।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা ওভর ১১ দা ৱিকেট অমা তুবদা রন ৮৩ লৌদুনা লৈরি। ওপনর ওইনা থোরকখিবা রোহিট শর্ম্মনা বোল ৪৪ দা রন ৫৬ লৌখি। মসিদা ফোর ৪, সিক্স ১ য়াওখি। বিরাট কোহলিনা বোল ৫০ দা বোর ৪, সিক্স ১ য়াওরগা রন ৫৭ লৌখি। অদুগা ইন্দিয়াগী কেপ্টেনসু ওইরিবা ধোনিগী অরোইবা সিক্সনা ইন্দিয়াবু মায় পাকপা পুরকখি। মহাক্লা বোল ১২ দা সিক্স ২, ফোর ১ য়াওরগা রন ২২ লৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা ওভর ১৮.৩ দা রন ১৪১ লৌদুনা মায় পাকখি।

কোরিয়ন বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না ৱার্ল্ড বোদিদা ফাইন থিগদৌরি

BADMINTON

কুলা লাম্পুর, মার্চ ২৮ঃ

ঙসি ৱার্ল্ডগী বেদমিন্টন গভর্নিং বোদিনা বেদমিন্টন কোরিয়া এসোসিয়েসন্দা য়ু এস দোল্লর লীশিং ৪০ ফাইনদ ওইনা থিনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

বেদমিন্টনগী ৱার্ল্ড গভর্নিং বোদি অসিনা কোরিয়াগী এসোসিয়েসন অসিগী মথক্তা থাঙ্গৎলক্লিবা ৱাফম অসি হায়রক্লিবগী মরমদি লৈবাক অসিগী শান্নরোই অনী দোপ্পিং টেষ্ট য়াওদবা অমদি মখোয় অনী মতম খরা অথিংবা লৈবা অসিগা মরী লৈনৈ হায়রি।

সাউথ কোরিয়াগী এসোসিয়েসন অসিনা মখোয়গী তৌগদবা মথৌদা নীংথিনা পাঙথোক্তে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী শান্নরোই অনীগী হায়বদি লি য়োং দাই অমদি কিম কি জুং হায়রিবা শান্নরোই অনী অসি চৎলিবা চহী অসিদগী হৌরগা চহী অমগী অথিংবা থমখ্রে হায়নসু লাউথোরক্লি।

লি হায়রিবা শান্নরোই অসি ইং ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা বৈজিং ওলেম্পিক অদুদা মিক্স দবলসতা গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুগা লন্দনদা ইং ২০১২ দা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক অদুদনা দবলসতা সিলভর মেদল লৌখিবা শান্নরোই অমনি।

শান্নরোই অসিগী মথক্তা অথিংবা থম্লগসু সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা হন্দক চহীগী সেপ্টেম্বর থাদগী ওক্টোবর থা ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি।

কুলা লম্পুরদা বেজ তৌবা বি দব্লিউ এফকি বোদি অসিনা কোরিয়াগী এসোসিয়েসনশিংনা মখোয়গী শান্নরোইশিংদা দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা এন্টি দোপ্পিংগী রিগুলেসন অদু মতম চানা হায়বিদবনা মরম ওইদুনা মখোয়না টেষ্ট তৌবগী কান্নবা অদু খঙহন্দবগীনি। জনুৱারীদা পাঙথোকপা এন্দি দোপ্পিং অদুদা মথক্তা পল্লিবা শান্নরোই অনী অসি মতম চানা লাকখিদে হায়না কোরিয়াগী বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না পল্লি।

রাফেল নদালনা মিলোস রোঞ্চিঞ্বু মায়থীবা পীখ্রে

মাইমি, মার্চ ২৮ঃ

ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরিবা রাফেল নদালনা চখরিবা মাইমি ওপন অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায় পাকপগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা নদালনা মিলোস রোঞ্চিঞ্বু ৪–৬, ৬–২, ৬–৪ দা মায়থীবা পীখিবনি। অহানবা সেট অদুদা রোঞ্চিঞ্না ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ অসিবু গেম ৬–৪ দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা সেট অদুদা নদালনা রোঞ্চিঞ্বু ৬–২ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। মসিনা মখোয় অনী শান্নখিবা গেম অদুদা নদালনা চাউনা মায় পাকপা মেটচ অমা ওইখি। অনীশুবা সেট অদুদা মহাক্কী গেমস ৬ মায় পাকপা অদুদা শান্নরোই অসিনা ওপোন্টে শান্নরোই ওইরিবা রোঞ্চিঞ্গী সার্ভিস ব্রেক পীবা ঙমখিবনি।

অহানবা সেটতা মহাক্কী সার্ভিস অমা ব্রেক পীবগা লোয়ননা রোঞ্চিঞ্না গেম ৬–৪ দা মহাকপু মায়থীবা পীবা ঙমখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনীশুবা সেট অদুদা মহাক্লা রোঞ্চিঞ্গী সার্ভিস কয়া ব্রেক পীবগা লোয়ননা গেম ৬–২ দা মায় পাকপা ঙমখি।

অহুমশুবা গেম অদুদা নদালনা রোঞ্চিঞ্গী সার্ভিস অমা ব্রেক পীবগা লোয়ননা সেট অদুসু গেম ৬–৪ দা মায় পাকপা ঙমখি। শান্নরোই অসিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রোঞ্চিঞ্বু মায়থীবা পীবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

সেমি ফাইনেলদা মহাক্লা থেংনগদৌরিবা শান্নরোই অসি ৱার্ল্ডগী ৭ শুবা সিটতা লৈরিবা থোমাস ব্রেদচিগনি। ব্রেদচিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা ৱার্ল্ডগী ২২ শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা আলেকজেন্দর দোলগোপোলোভপু ৬–৪, ৭–৬(৩) দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি। নদালনা চহী ৭ কি মমাঙদগী হৌনা ব্রেদচিবু ১৬ লক হন্না মায়থীবা পীখ্রে।

কেন্দিদেট চেছতা বিশ্বনাথন অনন্দনা দিমিট্রি এন্দ্রিকিনগা দ্রো ওইখ্রে

রুসিয়া, মার্চ ২৮ ঃ

মফম অসিদা হৌজিক চখরিবা কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়াগী এজ চেছ প্লেয়র অমা ওইরিবা বিশ্বনাথন অনন্দনা রুসিয়াগী দিমিট্রি এন্দ্রিকিনগা শান্নখিবা মেটচতা দ্রো ওইরগসু মহাক্লা টুর্নামেন্ট অসিদা লিদ তৌদুনা চৎলি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা বিশ্বনাথন অনন্দনা চহী খরা অসিদা দাউন্দ ফোল ওইদুনা লৈরক্লগসু হন্দক্কি কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্লা শান্নরোইশিংদগী পোইন্ট হেন্দুনা মাঙজিল থানা চৎপা ঙম্বা অমা ওইরে।

মঙারক হন্না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী এজ প্লেয়র অসিনা হৌজিক ফাওবদা স্কোর বোর্দতা মহাক্কী পোইন্ট অদু নীংথিনা মেন্টেল তৌদুনা চৎলি। টুর্নামেন্ট অসিদা হৌজিক শান্নগদবসি রাউন্দ অনী খক্তমক ঙাইরে।

মসিগী মতুংদা ৱার্ল্ডগী চেম্পিয়ন্সিপ মেটচ শান্ননবা শেম শারি। আমেরিকাগী শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়ারিবা লিভোন অরোনিয়ানা রুসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ভালদিমির করমনিককি মফমদা মায়থীবা নঙখি। অদুমওইনমক শান্নরোই অসিনা অজেরি শাখ্রিয়াগা শান্নখিবা ওপনিং অদুদা দ্রো ওইখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা বুলগেরিয়াগী শান্নরোই বেসিলিন টোপালোভনা রুসিয়াগী পিটর সভিদলরদগী মায়থীবা নঙখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা ফীভম ফরি হায়বা য়াই।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী বিশ্বনাথন অনন্দনা দিমিট্রিগা দ্রো ওইরগসু মহাক্লা ফংলিবা পোইন্ট অসি ৭.৫ নি। অদুগা দিমিট্রিনা ৫.৫ ফংলি। আমেরিকাগী লিভোননা ৬.৫ ফংদুনা লৈবগা লোয়ননা রুসিয়াগী ভলদিমিরনা পোইন্ট ৫.৫ ফংদুনা চৎলি।

বেসিলিন টোপালোভনা পিটরবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবসু শান্নরোই অনীমক্লা হৌজিক ফংনরিবা পোইন্ট অসি ৫.৫ ঙাক্তনি।

শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অসিগী মনুংদা হৌজিক পোইন্ট য়াম্না ফংদুনা মাঙজিল থারিবা অসি ইন্দিয়াগী বিশ্বনাথন অনন্দনি। মহাক্কী মথংদা লিভোন অরোনিয়ানা পোইন্ট ৬.৫ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন্দদা লৈরি অদুগা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অয়াম্বনা ফংনরিবসি পোইন্ট ৫.৫ ঙাক্তনি।

ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দ শান্নগনি

সিলহট, মার্চ ২৮ঃ

আই সি সিনা শীনবা বুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০ গী মেটচতা ইন্দিয়াগা ইংলেন্দগা শান্নগদৌরি।

হৌজিক আই সি সিনা শীন্দুনা মফম অসিদা নুপাগী আই সি সি টি–২০ ৱার্ল্ড কপ পাঙথোকপগা লোয়ননা মফম অসিমক্তদা নুপীগী টি–২০ মেটচসু চখরি। ইন্দিয়াগী টিম্না বঙ্গলাদেশ, নেপাল, শ্রীলঙ্কা অমদি মালদিপ, ইংলেন্দ, আইলেন্দ, ৱেষ্ট ইন্দিজনচিংবা লৈমিন্নরি। অহানবা শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাগী মখুত্তা রন ২২ দা মায়থীহৌখি।

ইংলেন্দসু মখোয়গী অহানবা মেটচতা ৱেষ্ট ইন্দিজকি মখুত্তা শুপ্পগী রন ৯ দা মায়থীহৌখি। লৈবাক অনী অসিগী মেটচ অসি য়াম্না মরু ওইবা মেটচ ওইগদৌরি।

ইংলেন্দদি হৌজিক হৌজিক ইংলেন্দগা শান্নরি। মসিগী লাইফ টেলিকাষ্ট অদু স্কাই স্পোর্টসতা ফংগনি।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ইংলেন্দগা শান্নগদৌরি। মসিদা ইন্দিয়াগী স্কিপ্পর ওইরিবা নিথালি রাজনা মহাক্কী টিম অসিদা অফবা স্পিন্নরশিং থাদোক্তুনা মেটচ অসি মায় পাক্লবা শেম শাবা লোইখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা ইংলেন্দগী মেটচ অদু য়েংলবা মতুংদা ইংলেন্দগী মায়গৈ অহোবা কয়া অমসু ইন্দিয়ানা খঙজিনবা ঙম্রে হায়রি।

ইন্দিয়ানা করিগুম্বা টোস ঙম্লবদি হান্না বেট পায়দুনা শান্নগনি। ইংলেন্দগী মমাঙগী মেটচ অদুদা মখোয়গী শান্নরোইশিংনা কেটচ দ্রোপ তৌবা অমদি ৱিকেট থুনা তুবা অসিনি।

সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা মারিয়া সরাপোভাবু মায়থীবা পীখ্রে

TENNIS

মাইমি, মার্চ ২৮ঃ

ঙসি শান্নখিবা মাইমি মাষ্টর দব্লিউ টি এ অমদি এ টি পিসু ওইরিবা সোনি ওপন হায়রগসু খঙনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরিবী আমেরিকাগী সেরিনা ৱিল্লিময়সনা রুসিয়াগী মরিশুবা সিটতা লৈরিবা মারিয়া সরাপোভাবু স্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখ্রে।

সেরিনা ৱিল্লিয়মস অমদি সরাপোভা থেংনবদা ৱিল্লিয়মসনা মমাঙ চহীদগী হৌরগা হন্দক্কি চহীগী হৌজিক ফাওবদা মখোয় অনী শান্নবদা মায় পাকপসি ১৫ রক শুখ্রে। মখোয় অনী থেংনবা সরাপোভানা মায় পাকপনা শুপ্পগী অনী খক্তমক ঙাইরি।

শাংলবা চহী কয়াগী রেকোর্দ য়েংলুবা মতমদা সরাপোভানা ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীখিবসি ইং ২০০৪ দনি। মসিগী মতুংদা লাকপা টুর্নামেন্টশিংদা মখোয় অনী থেংনবদা সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা মায় পাক্তুনতা লাকখি।

ঙসি শান্নখিবা সোনি ওপন অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা সেরিনানা মারিয়াবু অহানবা সেটতা ৬–৪ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদুদনা ৬–৩ দা মায়থীবা পীখিবনি।

মায় পাক্লবা সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা হায়খিবদা ঐনা নীংথিনা শান্নবনা মরম ওইদুনা ঙসিগী মেটচ অসি মায় পাকপনি। মফম অসিদা ঐখোয় অনীগী শান্নবা য়েংলিবা ভাবকশিংনা লাউরকখিবা ৱাহে খরা প্লে শান্নরিঙৈ মনুংদা তাখি। মদুদি ‘মহাকপু মায়থীবা পীয়ু মারিয়া’ হায়না লাউখি। অদুবু ঐগী হনবা লৈতনা হোৎনবা অদুনা মরম ওইরগা মহাকপু মায়থীবা পীখিবনি হায়না ৱিল্লিয়মসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱিল্লিয়মসনা মখা তাখিবদা মহাক ইং ২০০২ দগী মফম অসিদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টতা হায়বদি মাইমি দোলফিন্স ওরেন্স অসিদগী হৌনা শরুক য়ারকখি। মরম অসিনা মহাক্লা মফম অসিদা শান্নবা অসি খ্বাইদগী পাম্বা অমনি। মসিদা শান্নবসি মহাক্কী ময়ুমগী কোর্ট মনুংদা শান্নবগী চপ মান্নে হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা গেম খরদা সরাপোভানা মহাক্কী সার্ভিস ব্রেক পীখিবা অমদি মহাক্লা অমুক হন্না সরাপোভাগী সার্ভিস ব্রেক তৌরকপা অদুগা লোয়ননা সরাপোভাগী বেকহেন অহুম থংনা থংননা মায়থীরকপা কয়া অসিনা মরম ওইদুনা ঙসিগী গেম অসি মায় পাকপগী অচৌবা মরম অমনি।

মমাঙগী সেট অসিগা চপ মান্ননা অনীশুবা সেট অদুদসু থোকখি। অহৌবা গেমশিংদা মারিয়া সরাপোভানা হান্না মায় পাকখি। মদুগী মতুংদা ৱিল্লিয়মসনা অমুক থোইরকখিবনি। মহাক্লা ঙসি মায় পাকপা অসিদা এজ সার্ভিস অনীখক নীংথিনা মায় পাকপা ঙমখি। অতৈনা মাগী শান্নবা খূৎশান্না অদুনা মরম ওইদুনা সরাপোভাগী ৱিক ওইবা মফমদা পোইন্ট লৌন্নবা হোৎনখিবনি হায়নসু পনখি।

সুপ্রিম কোর্টতা আই পি এল কেসকি হিয়ারিং পাঙথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ঃ

সুপ্রিম কোর্টকি জজ অনীনা শাবা বেঞ্চ অমদা হৌজিক ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা আই পি এলগী মেটচশিংদা স্পোট ফিক্সিং তৌবগী মতাঙদা চখরিবা কেস অসিগা মরী লৈননা হিয়ারিং চখবা হৌখ্রে।

মীওই অনীনা শাবা বেঞ্চ অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা আই পি এলবু পুমথিং থিংবগী ৱাফমদি পনখিদে। অদুমওইনমক পাঙথোকখিবা আই পি এলগী মেটচশিংদা কনাগুম্বা মীওই খরনা মেনিপুলেসন তৌদুনা য়াম্না লেম্বা মশান্না অমা ওইরিবা অসিবু মশক থিহন্নবা হোৎনৈ হায়বা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকখিবনি।

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা আই পি এল অসিদা মতম অমগী ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বতনা নত্তনা মতম শাংনা ইন্দিয়া ক্রিকেট টিমদা প্লেয়র ওইনা শান্নরকখিবা সুনিল গাভাসকরবু আই পি এলগী ক্যারটেক্কর প্রসিদেন্ট অমা ওইনা হাপ্পি।

সুপ্রিম কোর্টনা মতম অমগী শান্নরোই ওইরম্বা মীয়াম্না ব্যাবহার তৌনরিবা মীওই অসিনা শান্নবা অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন্দা চঙলকপা হায়বা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। মহাক্লা ক্রিকেট অসি পামজবা মীওই অমা ওইবগা লোয়ননা ক্রিকেটকি মরমদা মহাক্লা কমেন্টরি কয়া পীরি। মহাক্লা ক্যারটেক্কর ওইরবা মতমদা মশান্না অসি হেন্না ফগৎলকনি হায়বগী ৱাফম পনখি। মহাক্লা মতম খরা বেদমিন্টনদা পুক্নিং লূপলল্লগসু হৌজিক্তি ক্রিকেটতা হেন্না মায় ওনশিল্লক্কে। শ্রীনিভাসনগুম্বা মীওই অমনা বি সি সি আইগী মকোক ওইরবনিনা ক্রিকেটতা হেন্না ফগৎলক্কনি হায়বগী থাজবসু থল্লি।